ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯅꯣꯕꯦꯝꯕꯔ ꯳꯰, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, নবেম্বর ৩০, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২৪২শুবা মশীং

# নম্বুল রিভর রিজুবিনেসন

## শেল কোকথোং অমা থাদরগা কান্নফম খঙদনা মাঙগদৌরিব্রা

মণিপুরদা লৈরিবা মরুওইবা তুরেলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নম্বুল তুরেল শেংদোক্নবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চহী অসিগী মার্চ ৯ দা "রিজুবিনেসন এন্দ কঞ্জার্ভেসন ওফ নম্বুল রিভর" প্রোজেক্ট হৌদোকখি। য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী নেসনল রিভর কঞ্জার্ভেসন প্লানগী মখাদা তাঙ্কক কয়া থোক্লা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাং অসিগী অহানবা তাঙ্কক্তা ইরোইশেম্বদগী হৈরাঙ্গোইথোং ফাওবদা তুরেলগী অমোৎপশিং শেংদোকপগা লোয়ননা শেমগৎ-শাগৎকদৌরিবনি। লুপা ক্রোর ৯৭.৭২ চঙনা পায়খৎকদৌরিবা প্রোজেক্ট অসিগা লোয়ননা মণিপুরগী অতোপ্পা মরুওইবা তুরেলশিং হায়বদি ইম্ফাল তুরেল, ইরিল তুরেল, খুগা তুরেল, খুজাইরোক, লোকচাও, মণিপুর অমদি থৌবাল তুরেলগী ফীভম ফগৎহন্নবগী মতাংদসু লুপা ক্রোর ৫০০ চঙনা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎনবসু হোৎনরিবনি। রিজুবিনেসন এন্দ কঞ্জার্ভেসন ওফ নম্বুল রিভর প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা মুভিং বেদ বাইও রিএক্টর (এম বি বি আর) হায়না খঙনবা খ্বাইদগী অনৌবা মখলগী টেক্নোলোজি শীজিন্নরগা মোংশাঙ্গে অমসুং শামুশঙদা ট্রিটমেন্ট প্লান্ট শেমগৎতুনা নম্বুল তুরেলগী অমোৎপা ঈশিং ট্রিটমেন্ট তৌরগা অরূবা ঈশিং ওইহনগদৌরিবনি। ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্ট, পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনীয়রিং দিপার্টমেন্ট, ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন হাওজিং এন্দ অর্বান দিভলপমেন্ট, মণিপুর ষ্টেট পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ অমদি দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্টনচিংবা তোঙান-তোঙানবা লোইশঙ কয়ানা খূৎশম্নরগা পায়খৎকদৌরিবা প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা নম্বুল তুরেল পরিংগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ইকো-ফ্রেন্দলি ওইবা ক্রিমেটোরিয়ম ৫৬ অমসুং কম্যুনিটি টোইলেট কমপ্লেক্স ২০ শাগদৌরি। কাংচুপ চীংদা হৌরকফম ওইরিবা নম্বুল তুরেলনা ষ্টেট অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ফীভম শোক্লবা অমসুং ঈশিং মোৎপা তুরেলনি হায়না সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ (সী পি সী বি) না মশক খঙদোকখিবগা লোয়ননা অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। নম্বুল তুরেলগী ফীভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা "রিজুবিনেসন এন্দ কঞ্জার্ভেসন ওফ নম্বুল রিভর" প্রোজেক্ট লোঞ্চ তৌখ্রবা মতুং থা অহুমলোম লৈরগা হৌখিবা জুন ২১দা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অতৈ মিনিষ্টরশিং অমসুং ওফিসল কয়াগা লোয়ননা ইম্ফাল অমদি অকোয়বদা নম্বুল তুরেলগী ফীভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং য়েংশিনখি। অদুবু মতম খরগী মতুংদদি প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা নম্বুল তুরেল শেংবগী পায়খৎলম্বা থবকশিং চপ লেপখ্রে। তুরেল অসিগী তোর্বানশিংদা ফত্ত-হৌদি লৈরম্বশিং শেংদোকখিবদগী খিত্তং লূ-নান্না লৈরম্বগী মতৌ উরবসু হৌজিক্তি মহৌশাগুম অমোৎপনা পীক থল্লে।

অমরোমদা নম্বুল তুরেলগী ফীভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিগা মরী লৈননা রিজুবিনেসন এন্দ কঞ্জার্ভেসন ওফ নম্বুল রিভর প্রোজেক্ট অসিগী কোওর্দিনেটরসু ওইরিবা দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্টকী দেপ্যুটি দিরেক্টর তৌরাংবম ব্রজকুমারনা মীদিয়াদা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক-হৌজিক প্রোজেক্ট অসিগী ঈ-টেন্দরগী প্রোসেস চত্থরি। টেন্দর অসি হেক পাঙথোকপা লোইবগা অথুবা মতমগী মনুংদা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পায়খৎপা হৌরগনি। তুরেল খোংনুংদগী অমোৎ-অকায়শিং শেংদোকপগী থবক চত্থরম্বা অদুদি তুরেল অসি শেমগৎপগী থবক হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা তঙাইফদনা তৌবনি। সোলিদ ৱেষ্টশিং শেংদোকপগী থবক পায়খৎলম্বা অদু নোং তাবনা মরম ওইরগা লেপ্পনি। হৌজিক্তি নোং হাংলবনিনা নোংমা নীনি অসিদা অমুক হৌরগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। নম্বুল তুরেল অসি মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী ফীভম শোক্লবা তুরেলশিংগী মনুংদা অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। তুরেল অসিগী হৌজিক্কী ওইরিবা ফীভম অসি য়েংলুরগদি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মোৎপা তুরেলশিংগা পাঙ্থক ওইরে হায়না লৌবা য়াই। নম্বুল তুরেল শেমগৎনবগী প্রোজেক্ট অসি হৌদোকখিবা থা ৮ হেল্লক্লবসু পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মঙম শান্না পায়খৎপগী মমি তাদবা অসিনা প্রোজেক্ট অসি অপীবা মতমগী মনুংদা মপূং ফানা লোইশিনবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বসি মীয়ামগী পূক্নিংদা চিংনবা ফাওনরে। করিগুম্বা লোইশিল্লে হায়না লৌরগসু হান্নগী মতৌগুম্না অমুক হন্না তুরেলগী ঈশিং মোৎশিল্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। তুরেলগী ঈশিং মোৎশিল্লক্লিবা অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা মরমশিংগী মনুংদা অমোৎ-অকায় লংথোরকপা অসিসু অমনি। মরম অসিনা তুরেল অসিদা অমোৎ-অকায় লংথোরকপা অসি ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইনা থিংবগী মহুৎতা মতম চুপ্পগী ওইনা থিংননবা মতীক চাবা থবক লৌখৎপা চুমগনি। করিগুম্বা লৈঙাক্লা অমোৎপা লংথোরকপশিং অসি মপূং ফানা থিংবা ঙমদ্রবদি প্রোজেক্ট অসি শেল কোকথোং অমা তিংলগা কান্নফম খঙদনা মাঙগদৌরিবনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### অকোয়বগী ফীভমদা শোকহল্লিবা প্লাষ্টিক মফম চাদনা হুন্দোকপা তোক্লসি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

ফত্তবা প্লাষ্টিক মফম চাদনা লংথোকপনা মহৌশাগী অকোয়বগী ফীভমদা শোকহল্লি হায়বসি পূন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফম ওইরবসু লমদমসিগী মফম কয়াদা ফত্তবা প্লাষ্টিক মফম চাদনা হুন্দোকপগী মওংশিং অদুমক থেংনরি। তুরেল খোংনুং কয়াদা ফত্তবা প্লাষ্টিক বোট্টল অমদি মখল কয়াগী প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং লংথরকপদগী মোৎশিল্লকপদা নত্তনা তুরেলগী ঈশিং ফৎচিল্লক্তবা কয়া থেংনরি। প্লাষ্টিক হায়বসি লৈবাক্তা তুম্বা ঙমদবা অমদি তোকসিক ওইবা আইটেম কয়া য়াওবা মরম্না অকোয়বগী ফীভমদা চাউনা শোকহল্লি। সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক শীজিন্নদনবগী কেম্পেয়ন কয়া চত্থনবা লৈখ্রে। প্লাষ্টিক মফম চাদনা হুন্দোকপগী মাঙজবশিং অসি এৱ্যের ওইমিন্নবগা লোয়ননা ঐখোয় খুদিংমক্লা ৱাখল তামিন্নদুনা মফম চানা লোইশিনবা চংই। প্লাষ্টিক বোট্টলশিং অসি মফম চানা পৈশিন্দুনা থন্নগা রি সাইক্লিং তৌবগী খুদোংচাবসু লৈগনি। প্লাষ্টিক হুন্দোকফম লৈতে হায়দুনা মৈ থাবসু ফত্তে। প্লাষ্টিক মৈ থাবা মতমদা থোরক্লিবা মৈখু অসি এয়র পোল্যুসন থোকহন্দুনা হকচাং শোক্লিংঙাই ওই। প্লাষ্টিক মৈ থাবগী মনম অসি হকচাংদা য়াম্না ফত্তবা অমসু ওইরিবনি। মৈ থাবগী মহুত্তা মফম চানা থন্নগা রি সাইক্লিংগীদমক শিন্নবা তঙাইফদে। মসিগীদমক অখন্নবা থৌরাং থৌশিল খরা পায়খৎপগী তঙাইফদবসু লৈরক্লবনি। লৈকায় লৈকায়গী মফম কয়াদা প্লাষ্টিক পৈশিন্নবগী মফমশিং শেমগৎলবদি য়াম্না কান্নগনি। লোয়ননা অকোয়বগী ফীভমদা শোকহল্লিবা অসিদগীসু কনবা ঙমগনি।

*অদোমগী - চোংথাম ইবোহল মীতৈ*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৮

১। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা লমদমসিগী শাংলবা নীংতম্বগী পুৱারীদু থূপচিল্লগা 'পার্ট সি ষ্টেট' অমা ওইনা চীফ কম্মিস্নর অমগী লৈঙাক্তগী নৌনা হৌবা তাখি। কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী।
(ক) ওক্টোবর ১৫দুগী মমাঙদা ওইরম্বা নীংতম্বা মণিপুরগী ইলেক্তেদ, অহানবা অমসুং অরোইবা চীফ মিনিষ্টরদু কনানো?
(খ) অদুগা ওক্টোবর ১৫দগী ওক্টোবর ১৮ ফাওবা নুমিৎ ৪নিগী চীফ কম্মিস্নর ওইরম্বা মীশক্তুনা কনানো?

২। "মীয়ামগী ফনবা অমদি নুংঙাইনবা অঙৌবা তাৎ মচা কয়া মফম মতম চানা শীজিন্নবদি কবি, উপন্যাসকার, ৱারী মখল মথেল ইবশিংনি।" ৱাফমসি 'পুন্সিদা তাৎ মচাই চন্নফম' হায়বা ৱারেংদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৩। "ঐগী মম্লবা পুন্সিগী অরোইবা অহিং - অনৌবা অয়ূকপু লাকখিদ্রা? অদুবু, অহিংনা নোংঙানবা ঙাইরি।" পরেং অসিনা 'অতিথি অমগী অহিং' কৌবা উপন্যাস অদুগী অরোইবা পরেংনি। অইবদু কনানো?


৪। "চীং নঙ/খূৎ য়াওরুনু/তুমিন্না ফম্মু/লেমজবগী হৌনশা।" পরেংশিং অসিনা অইবী অখোম য়ান্দিবালাগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "নুংশিদরা য়েংঙু/উচানগী মৈরা/কপ্লিংদরা নঙবু উরগা তোয়না।" পরেং অনী অসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মী অমুক্তা ওইনা মী ওইনা

মাগী নুপীনা হায়বা ৱা মাগী নুপানা লৌবা নত্তে, মাগী নুপানা হায়বা মাগী নুপীনা লৌবীবজাৎ নত্তে, মপা মমানা হায়বা মচানা অমত্তা লৌদে, মচানা হায়বা মমা মপানা অমত্তা লৌদে। মচিন-মনাও মমা অমত্তনা পোকপা (মমা অতোম্বীনা পোকপা নত্তবা) তিন্নবা য়াম ৱানরবা মতমনি। ইমুং অমনা হায়বা ৱা ইমুং অমনা তাদে। লৈকায় পাউথাং লাউনবা য়াবা মতম নত্তরে। ইমুং মশেল অমগা অমগা কৌনরক্তে। ইমুংদগী হেন্দোক্তুনা থংনবা লৈকায় মং শাফমগী, ক্লব শাফমগী য়েৎনৈ, খৎনৈ, থাঙ পায়দুনা নাকপাক নাকপাক তানা লেপ্পদুনা গধা, মীনাই, হুরানবা নখোয়দা শিখ্রো হায়না লাউনৈ। এ সী অনী লোন্নফমদা লৈবা লম্পাক মচা, চীংদুম মচা লৈকায় অনী অহুম চঙদুনা ঐগীনি ঐগীনি হায়না মুন্নৈ, য়েৎনৈ, দিষ্ট্রিক্ট (জিলা) মশেল য়েৎনৈ। শ্বাই মফমসি অদু দিষ্ট্রিক্টনি অদা দিষ্ট্রিক্টনি হায়না, ষ্টেটকী থাক্তা ষ্টেট অনীগী অহুমগী থাক্তা চীং নাপোম অমগী অনীগী খৎনৈ, লম্বী থিংজিন্নৈ, হুন্নৈ, অদুদগী লৈবাক অনীগী থাক্তা অমুক লাকই। বোর্দর পিল্লর মাঙবগী। হেঞ্জিন্না য়ুংশিল্লম্বগী, ৱাৎপগী থাঙ শৎনরিঙৈ হেঞ্জিল্লকপগী অনৌবা থাঙ অমুক শৎনৈ, থাঙ থৌনা ফেঙনৈ। মী হায়বসি য়াম্না মনুং য়ৌনা ফৎকনখিদ্রবা জীব মখল অমা ওইরম্মে। মী হায়বা অসিদা অফবা মী হায়বা অমা অমুক লৈরমখিদ্রা হায়না থিরুবগী মথৌ তারমদ্রে। মীনিকো হায়না খন্থনরগা কনানা চুম্মীবা, কনানা লাল্লিবা হায়বদু পোপথোক্তুনা, কোৎথোক্তুনা নৈনরুবদা ফরক তাবা ৱাফম অমগুম্না খন্নরক্লে। খৎনরিবা, য়ানদ্রিবা ময়ামসি ৱাখল খনবা ঙম্বা কোক অমমম পানবা পূন্না ফম্মিন্নরগা তানা তিক্লবা য়াবা থৱায় পানবা জীব অদুনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লে।



মৈ থাল্লিবা, গাড়ী থৌরিবা, লাইরিক তম্লিবা, লাইরিক তাক্লিবা, মীয়ামগী থৌ চেল্লিবা-চোংলিবা ময়াম, লৈঙাক, মিনিষ্টর, এম এল এ, পুলিস, লায়েংলিবা, ঈশিং পীরিবা, লম্বী শেম্বগী থবক তৌরিবশিং লোয়না মীগী মী ঙাক্তনি। মখোয় পূম্বা লাই ওইবা ঙম্নরক্তে। মীদৌনা তৌরগা অদুম লৈরে। অমনা হায়বা অমনা তানরক্তে।

ওদিওমিত্রি চঙদুনা নাকোঙগী টেষ্ট তৌবা লোইনা চঙলে। তারিব্রা-তাদ্রবরা? ময়েক শেংনা তাবা ঙম্লিবরা, ঙমদবরা খঙবা ঙমদ্রে। মীৎসু উবা ঙম্নদ্রে, অমনা অমগী অশোয়বদগী হেন্না উবা ঙম্নদ্রে, অফবদি অমত্তসু তাবা ঙম্নদ্রে।

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

ভিজন টেষ্ট তৌবা লোইনা দরকার লৈরে হায়দ য়ারক্তে। মানা মানা থোকপা পংহিংদা হিংবা, অমনা হায়বা অমনা তানদ্রবা তূথেক অমদা পূল্লপ পূৎথদুনা লৈরে। ফুরুপ অমগা ফুরুপ অমগা, চীংগা-তমগা, তমগা পাৎকা, পাৎকা তুরেলগা, তুরেলগা খোংবানগা পাউ ফাওনবা ঙমদে, অমনা হায়বা অমনা তাদে। মানা মানা থোকপা পঙলৈদা লৈনরকপদৌনা তৌরক্লে। মী হায়বাসে ৱারী শানরগা তাথোক-তাশিন তৌনরগা, শেগা মাইগা হায়নরগা লোইবা য়াবা ঙাক্তনি হায়বা কাঙলোন অদু থুগায়খ্রে। মদুগী মহুৎ শিনবীনবা অতৈ পাম্বে পুথোক্লরে।

অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা নহান নোংমা চীংগী ইমোম অমা লাক্লম্মী। মশক্লা মশক ফজরিবা। নোকপু নোকপও, খেবু খেবও। লাকপদা য়াম্না ৱারে চা থক্লীংই হায়দুনা। ইচা নুপীগা লাইরিক তম্মীন্নবনি। খঙদে ইকোই কোইজদে উপু শেৎ ফাক্তুনা চা মনা চিনী শঙ্গোম কোয়থি থিদনা চা অদুম লোনখৎখরে। কয়া নুংশিখ্রে চমজখ্রবী শকহেল্লবী, মশা নাল্লবী ইমোম চীংগী লাংলেন অদুনা লোল-লি মান্নদবগী ৱাংমদা, লাইনীং-লাইশোল মান্নদবগী ৱাংমদা, অমাং অশেং নাইবা চৎনবীগী ৱাংমদা চা অদু হাউনা লোল্লগা পুথোরকপা হেক পোকচবা ইচানা লোনবগা হাউবা হেক চপ মান্নে। ঐখোয়গীদা লেকথোক্লমই অহিং অমা অদুগা নোং ঙাল্লগা হরাউনা হনখি, ঐগী ইচাসু মখোয়গীদা নীনি লেক্লুই উখ্রুলদা...। ইচানুপীদু হল্লকই চাকৱাই অমদি দশকুশ ময়াম অমা মতারোইগী মপাবুংনা পীরক্তুনা। য়ূম য়ৌরব্রা হায়না অমুক থেংলপ্পা ফোন তৌবীরকই মাগীসু মচা ওইরবা ঐগী ইচানুপীদু তেক্তা কায়দনা য়ূম য়ৌরবরা হায়দুনা। নুংশি নুংশি কাউবা ঙল্লোই। মাসু (চীংগী ইয়াম্বা) অদু নুংশিখ্রবা থম্মোয় অমা পাল্লম্মী। ঐখোয় কায়নবা য়াদে, কায়নবা ঙম্মোই ঐখোয় অমত্তা ওইসি অমত্তা। ঐখোয় মীনি। মী ওইসি। মী। মী। মী। ●

# হায়রগা হেক্তা থাজবা য়াব্রা

**নবকুমার ওইনা**

থাজগনখ্রবা মীওইবনা হায়রগা হেক্তা থাজবা ঙম্নরক্তবসি ৱাখলগী থাক অমনি। ইবু ইরবদি চেনা অমদা থাজনরগা লেমজা-চারগা লৈরিবনি হায়না থাজবা মীসু লৈরিবনি। চাবা ফংলিবশিংগা চাবা ফংদবশিংগা থাজবদু মান্নরক্ত্রবনি হায়বদসু অদুম মাল্লিবনি। অইবদা ফজগনবগী হায়রদি লাপ্প-লাপ্পবা জেরুসালেমদগী, দ্বারিকাদগী হৌরকপা ৱারী ফাওবা লোইনা থাজনরিবনি। লাইরিক হৈবা শারগা করি হায়রিবনো হায়বা শুকখঙ খঙদনা, পাবা ফাও থোক্তনা চেবাউ হায়বসিদা থাজনদুনা শোরাৎ, ফিরোই, লুহোংবা লোয়না চৎনরিবনি। থাবু থাজরবদি চাক্লৌবদা চেবাউ নম্নদ্রিদনা।

থাবু থাজনরদি খোঞ্জেল থোক্তবদসু থাজনরিবনি। লোন থোক্তবশিংগীসু থাজনবা লৈ। ৱা ঙাঙবা ঙম্বা মী মরক্তা থাজবা ঙম্নরক্ত্রবা হায়বসি থাজবদু মাঙলে, মীনম্নখিবা য়াওরে হায়বনি। লমদমসিগী মীয়ামদি থাসু-থাজগল্লি হায়বা য়ারিবনি, সনা শেংবা লাকপশিংদসু পঙথাদা থাজে। চেদা ইবা থাজবগী হায়বদি সার্টিফিকেট লানবা, ফেক এপোইন্টমেন্ট, শাশিন্নবা লাইসেন্স/টি আর ময়াম চৎনরম্মীবা লমদম হায়বদু ওইরিবনি। ইবু ইরবদি থাজগে হায়রিব্রা, লান্না ইখিবশিং অদু অদুম থাজরগা লৈখিগে হায়ব্রা হায়বগী ৱাহং লাক্লবা মতমনি। "... সে-সে সেবোটি, কনানা ঙমগে য়েংনসি" হায়বদুনি খল্লি। কাওনরিবসি আদা নত্তে, সিদনি।

থায়না হায়রবদি তঙ্খায় থাজরবনি, মথায়-থায়না হায়রগনা লোয়না থাজরো হায়না তম্বীবগুম্বনি। কনানবু কৈদা শগোল শারগা থৌবা হৌনদে, কৈ অপঙবা লৈবা হৌনদে। লাই খূৎশাংবীদি হৌজিকসু লৈরিবনি, মীগী ইমুংদা খূৎ থিঞ্জিল্লগা কোরোক-কোরোক ওৎপা ঙম্বী লৈরিবনি। তম্বীখিবদগী পঙথাদা থাজগনবা মী য়ামখিবসু ওইরম্বা য়ারিবনি। ঙা য়োনফমদা সের ফালা হায়নরিবসি অরূম্বা ওন্নবনি, অরানবা তৌনবা নত্তে। হৌজিক্তি চিংনফম, য়েৎনফম ওইরে। ঙা মচা অমা লৈবদা য়েৎনফম ওইবা হায়বসি লৈবাক অচৌবা অমা শেম্বদা য়েৎনদফম লৈবা হৌনদ্রে। কৈথেল ফল্লিবসি য়েৎনফমনি (অমদি অপঙবনি) মীফম ফম্নরিবসি য়েৎনরিবনি। এসেমব্লি ফল্লিবসি য়েন্নবা ওইনা লৌই, লৈবাক শেম্বগী ওইরবদি ৱা কন্না কন্না ঙাঙনফম লৈতে খল্লি। কে জি ফাদবা ঙা চাবশিং অদুম য়েৎনগনি খল্লি, মমানা-মপানা তম্বীরক্লবনি হায়না লৌনবা য়াওরিবনি। ভোটতসু পীরিবনি হেক্তা হায়রগা থাজনরিবনি, থাজগনখ্রবা হায়বদুনি।

পোক্লকপসু উফুলদগী শেল্লকপনি, শিরগসু উফুল ওইনা হঞ্জিনখিনি হায়বসি লাইনীংগী লাইরিক্তা ইবা পানরিবনি। লাল্লকপদুনি, উফুল হায়রিবসি এটোম পুথোক্ত্রিঙৈগী ৱানি। হৌজিক্তি এটোম্না শাগৎপনি, এটোম ওইনা চাইখায়খিনি হায়বা তারকপদুনি। লাইদি মফম খুদিংদা লৈ হায়বসি অমুক লাল্লকই, মফম খুদিংদা এটোম লৈতে। "মফম খুদিংদা ঐ লৈ" হায়না মীনা হায়বা য়াবা নত্তে, মী মানবা লাই অমনসু হায়বা থাজবা য়াবা নত্তে। থাজগনবদগী লাল্লক্লিবসি য়াম্না কুইরবনি হায়বদুগী ৱাতনি। থাজবদু চুম্মী, লাল্লি হায়বগী ৱা নত্তে, থাজগনু হায়বসু নত্তে। ৱাখল খন্থফম থোকই হায়বগী ৱানি। মী পোক্ত্রিঙৈদা এটোম লৈরক্লবনি, এটোমদা ইনর্জি লৈ, মীদা ইনর্জি লৈ, উফুলদা ইনর্জি লৈ, ইনর্জি লৈ হায়বসি থাজনবী অমা নত্তে। ইনর্জি হায়রিবসি লাই হায়বদুনি হায়রবদি লাই লৈ হায়বসি থাজনবী নৎত্রে, খঙবদুনি। লাই হায়বসি মী মানবদুনি হায়রগা থাজনবা হেক্তা হৌই। লাই শারগা মীনা ঙাঙবা য়াওরবদি থাজদ্রে হায়রে।

লৈবাক্কীদমক্তদি ইবুধৌ ওইরবসু হাৎলু, গুরুদেব ওইরবসু হাৎলু, পাপ লৈতে হায়না থাজবা কাঙলূপ লৈরিবনি। মখোয়না মী হাৎলকপা লাইনা পাপ পীদে হায়না থাজনরিবনি। ইরগা লাইরিক ওইনা লৈনরিবনি। লৈবাক্কীদমক্তদি থৱায় থাদোকউ পাপ লৈতে হায়না থাজরবা মী ময়াম অমসু বোমগা কোনরগা শিবা ঙম্নরিবনি। থাজবা মান্নদবা কাঙলূপশিং চায়নরক্লিবনি। শিবসু ঙমদবা, মী হাৎপসু ঙমদবশিংনা লাই নীংই হায়বা থাজরক্তে। লাই ৱায়রনা নীংবা, লাই খূৎনীং চুমদ্রবদি থবক ওইবা ৱাবা তাবনি। লাই মান্নদ্রবদি থাজনরক্তবা মশানা তারকপদুনি। লাই হায়বদু মী মানবা অমা নৎত্রে, ইনর্জি হায়বসি ওইরগনি খঙনরবদি থাজনবদু ইমান মান্নরনি, নুংশিনবসু ঙম্নরগনি থাজরকপদুনি। থাজবা মান্নরবদি লৈবাক অমা লৈবা লায়, থাজনদবশিংগী লৈবাক কয়া মুৎখ্রবনি। থাজনদ্রিবমখৈ হঞ্জিল্লকপা ঙল্লোইদৌরিবনি। মীনা হায়বদা থাজদবদি লায়রি, লৈমিন্নরিবশিংবু কয়াম থাজনরবগে? লৈমিন্নরিবশিং থাজনদ্রগা মীতোপ্পা ৱা পুরগা ৱাতেম্বা অঙকপা মওং অমনি, থাজবা য়ারবা নৎত্রি। ৱায়াম ঙাঙনরিবসি থাজননবগী ট্রেনিং তৌরিবনি হায়না লৌবসু য়ারিবনি।

থাজনরকখিনি।

থাজনবসি কদায়দগী হৌবা তারি। অপঙবশিংগী থাজবা হায়বা লৈবা য়াদে, হায়বা ইনবা হায়বদি লৈ। হায়বা অদুম ইল্লিবমখৈ ৱা য়াল্লরোই। হায়বা ইন্নরক্ত্রবদি থাজবসু লান্না লান্না লৌনরকই। হায়বা ইন্দবা মচানা দ্রগ চারকপসি মপানা হায় মমাননি, মমানা হায় মপাননি। মমাগা মপাগা থাজনদবা নত্তে, মখোয়না মচাদা থাজরক্তবনি। খৎনবনা মমাগা মপাগা খৎনবা য়াওনরিবনি। লাল্লিবনা অহুম্মকনি হায়বসি খঙনদ্রিবমখৈ খৎনখিগদৌরিবনি। খঙদ্রিবদুনা থাজনদবদগী ৱারেপ অমা লাম্বা ফংদবনি। কনা অমনদি লাইরিক তম্লক্তবা মমা মপাগী মশিংনা য়াম্বনি খল্লম্বসু য়াই। লাইরিক তম্লক্লবসু, শেল পায়দ্রবসু দ্রগ অদুম চাবা য়াওরিবনি। শেল অদুম ফংগনি থাজবদগী চারিবনি নৎত্রগা চানবা অদুম ফংগনি খল্লগা চারিবনি। শোয়দনা শিগনি খল্লগা চাবসু মান্দে। ভোট লেপ্পসু নিশা অমনি, কাগনি খল্লগা লেপ্পরিবনি। কাদ্রবমক্তদা মথংদদি কাগনি থাজনরিবনি। চুম্বসু য়াওরিবনি। থাজবা হায়বসি অরানবা অমদি নত্তে, থাজদে হায়বদা অচুম্বসু ময়াম য়াওরিবনি, থাজদে হায়বদু চুল্লকইবনি। চিংনবদগী থাজদবসু ময়াম লৈরিবনি, লাই থাজে-থাজদে হায়বদৌনা মী মরক্তা থাজনদবা নত্তে। মী মরক্তদি চিংনবনি হায়বসু য়ারিবনি। থাজবগা চিংনবগা মান্নদে, চিংনবদি ওন্ন-তৈননা থাজবা অমনি। লাইনা মালেম শেম্মী হায়, লাইদু মী মানবা হৌনদ্রে, মীনা লাই শাবসু লাল্লগনি। লাইদু মী মাল্লি হায়না থাজরবদি থাজবদু লানবা হৌরে। মসি ইচম চম্বা ৱানি। মদুদগী লান্না ৱাখল খল্লবা, লান্না ঙাঙনবা হৌরবা, অদুম থাজদ্রে। লাই থাজবা মীশিংসি থাজদবা মী লৈরবনি। মী পোক্ত্রিঙৈদা লাইনা মালেমসি শাখ্রবনি, মী শাবদনা লাইদগী মান্নবা শাবনি হায়বসি থাজব্রা? হঞ্জিন-হঞ্জিন শোয়খিবনি হায়বদি য়াব্রা? লাইনা তৌবা থবক হায়বসি শোয়বা হায়বা লৈতে থাজব্রা? অনৌবা লৈবাক অমা শেমগে, ফিরাল তোঙানগেদা হায়বসি লাইনা হায়বা নত্তে, মীনা হায়বনি, লৈবাক্তু মীনা শেমগে হায়বনি, লাইনা শেমগে হায়বা নত্তে। লাইদা পঙনীংদা নীংবা কাঙবুনা লৈবাক শেম্বা হৈতবসু লৈরিবনি। লাইগী মীংদা লাই শাবশিংনা ঙমখিবা ওইবা তারবদি লাই নীংবা হৈতবগা মান্নগদৌরিবনি, হায়বদি থাজবা থম্বা হৈতবনি, থাজবদা পূনবা হৈতবনি, অপূনবগী শক্তম শাগৎপা হৈতবগীনি হায়বনি। অপূনবদা অকিবা করিবু লৈবগে? ৱাঙাঙ হৈতনা পূনবা ঙম্বা হৌনদে। ইচিন ইনাও শক খঙনদনা পূনবা হৈবা হৌনদে, থকসি-খাসি য়াওদনা পূনবা ঙম্বা হৌনদে। পূনবা ঙমদনা থাজনবা হৈবা হৌনদে। থাজবা ঙম্বা ঙমদবা হায়বসিদা হৈ শিংবা অমসু চংলিবনি। মফম খুদিং থাজবা থম্বা য়াবদি নত্তে, ইশানা ইশা থাজদনা মীবু থাজবা ঙল্লোইদৌরিবনি।

থাজফম থোক্তবদা থাজবা য়াবা নত্তে, থাজবা অমসুং থাজদবনা ৱাথোক ওইবসি য়াদবা অমনি। মদুগী মমাঙদা ৱাখল পরিং তাদবা অমা লৈখিবননি হায়বা অদুম খঙনবা ৱানি। লায়েংবদি মকোক্তগী হৌবা তাবদুনি। মরূ ফুক্তনা মশা থাবনা য়েনবীনিঙ শৌবা ফবা ঙল্লোই। মতম ফবগা শুজা হেক্তা কারক্লনি। মী য়াম্বনা ৱারেপ চুল্লগদৌবনি হায়বা লৈতে। ৱাখল পরিং তাদনা খোঙথাং চুল্লগনি হায়বসু লৈতে, লাই খঙদনা লাই নীংলবনি হায়বসু লৈফম থোক্তবনি।

ৱাফমসিমক থাজগন্দবগী ৱাখল নত্তে, থায়না হায়বসি থাজনদবা য়াওখ্রবরা হায়বা থিবদুনি। মকোক লাল্লবদি মমৈনা পস্থুং য়ৌবা য়াগদ্রা খন্থনরকপগী খোঙথাং থিরকপনি। লাইগী লোংঙুপ মনুংদগী থোকপা ঙমদ্রবদি মতৌ করম্না কাউনয়েন্না চায়না খোঙদ্রেন হানগদৌরি। ঈহিং-নায়হিং তাবা য়াদে হায়রগা করিগী লম্বী থিরুরি। লাইগী ৱা থাজরবদি অহিং, নুংথিল, নুমিদাং খোঙথাং খঙনা চৎপা তারকই। চৈশুনা হেক হেক কন্থৎপীরবা মশুনা মপুগী মাং থানা লম্বী চৎপা ঙম্বা হৌনদে। হাৎলিবসি লৈকায় অসিদনি, শিরিবসি শাগৈ অসিদনি, ঙাঙনরিবসি সলাই মরক্তনি। করিগী থাজনদ্রিবনো? থাজদ্রিবসি শাগৈ মরক্তরা, লাইনীং মরক্তরা, লৈঙাক মরক্তা ওইরগনা পাউথংনবনি হায়বা তারিব্রা? ষণ ৱায়নরগা ষণবুনা ৱাবসু লৈ।

থাজবা হায়বসি ৱাংউলোন অমনি, মীওই অমগা অমগা মান্নদে। অদুমক্লা মলেম শিনবা থুংনা লাইনীং ময়াম খেন্নরক্লিবনি। লৈকায় অমদা খুঙ্গং অমদা মীওই মঙা-তরাদগী চাম্মা-চনি ফাওবা খেন্নবগী অরুবা করিসু লৈতে। য়াম্না ফজরিবদি ইচিন-ইনাও খরনা য়াম্না থাজনা অপাম্বা খরা শাগৎপা ঙম্বা অসিমক শিংথানদবদি য়ারোইদৌরি। মদুমক মরা চেৎপা ঙম্বদুনি মীথোক হেনগৎলকপনা ওইবা তারিব্রা? নৎত্রগা থাজবদা মখোঙ শেংদনা চৈশুনা মুক্লগা পুখ্রবরা হায়বসি শঞ্জেন্নহা ময়াম চায় থানবা তারক্লিব্রা হায়বসি মীমাং থোক্লা লাউনবা তারক্লি। ৱাহৈ খরনা য়ারোইদৌরি, য়ূম হোংনবা গাড়ী ৱায়বা তারক্লি। মালেমসিদা রিফ্যুজি মশীং হেনগৎলক্লি। লমদম অসিদদি কনানা রিফ্যুজি ওইগদৌরি খঙনবা নৎত্রি। মীচেনশিংগী ময়ূম লৈরক্তবদি থেঙ্খাং কয়াদা থোকখ্রবনি, লম্পাক কয়া, লমজাও কয়া মাঙখ্রবনি।

থাজবা অমসুং থাজদবনা খূৎলৌ য়েংলগা ষণ মাঙখিবা থিবনদি ফংগদৌবা মান্দে। চৈতুপ অমতং ওইরবসু পায়রগা চেঙয়োম পুরগা থিবা অমা চঙলি। ●